# নেসনল কাউন্সীল ফোর টিচর্স এদ্যুকেসন্না বি এদ কোলেজ ১০০০দা সো কোজ নোটিস থাখ্রে

চেন্নাই, দিসেম্বর ০২ (এজেন্সী):

এফিদেবিট খুখাংদা মথৌ তাবা দেটা পীখৎলক্তে হায়বগীদমক বি এদ অমসুং দি এদ কোলেজ ১০০০গী মথক্তা নেসনল কাউন্সীল ফোর টেক্নিকেল এদ্যুকেসন (এন সী টি ঈ)না সো কোজ নোটিস থাখ্রে।

যুনিয়ন হ্যুমেন রিসোর্স দিভলপমেন্ট মিনিষ্ট্রিগী সিনিয়র ওফিসল অমনা হায়খি মদুদি, এন সী টি ঈনা সো কোজ নোটিস থাখ্রবা কোলেজশিংদা বি এদ অমসুং দি এদ কোর্স তম্নবগীদমক মিং চনবা য়াররোই।

মিনিষ্ট্রিগী স্কুল এদ্যুকেসন অমসুং লিটরেসীগী সেক্রেটরি অনিল স্বরুপনা হায়খি, লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈরিবা বি এদ অমসুং দি এদ কোলেজ ১৬,০০০দা এফিদেবিট পীখৎলক্কবা খঙহনখি। মদুগী মনুংদা শুপ্নগী কোলেজ ১২,০০০ খক্না এফিদেবিট পীশিল্লকখি। অতোপ্পা খরনা অথুবা মতমদা পীশিল্লক্লগনি হায়বগী থাজবা পীরক্লে।

মমিং খক্তগী ওইনা লৈবা বি এদ অমসুং দি এদ কোলেজ খরনা এদ্যুকেসন সেক্টরবু অচৌবা শেন্দাল লন্বী অমা ওন্থোক্লে। থৌওং অসি থিংনবগীদমক এন সী টি ঈদা মথৌ তাবা থৌরাং পূম্নমক লৌখৎনবা খঙহনখ্রে হায়না ওফিসল অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, কোলেজশিংগী অফ-




ফত্তগী চাং লেপ্পবগীদমক এন সী টি ঈনা ক্বালিটি কাউন্সীল ওফ ইন্দিয়াগী মতেং লৌরগা থৌরাং কয়া লৌখত্তুনা লাকখি।

হৌজিকমক্কী ওইনা বি এদ অমদি দি এদ কোলেজশিংদা খুৎ থাবা হৌরবসু প্রি স্কুলশিংগী মতাংদদি খুদক্তা থবক লৌখৎপগী ৱাফম লৈত্রি। অদুম ওইনমক মহৈ তম্ফমলোয়শঙ খূদিংমক্তা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবা হৌরগনি হায়রি।

সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন (সী বি এস ঈ)না বোর্দ অসিদা এফিলিয়েট তৌরিবা স্কুলশিংগী মথক্তা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবগা লোয়ননা ষ্টেট বোর্দশিংগী মখাদা লৈরিবা ইন্সটিট্যুসনশিংদসু মথৌ তাবা থৌরাংশিং লৌখৎনবা খঙহনখ্রে হায়না ওফিসল অদুনা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, ঐচ আর দি মিনিষ্টর প্রকাশ জাবদেকরনা বি এদ কোলেজ খূদিংমক্তা মপুং ফাবা এফিদেবিট পীখৎলক্কবা মাঙজৌননা খঙহনবা লৈখ্রবনি।

কোলেজ খরনা অফবা ওজা পুথোকপগী মিংদা শেল য়াম্না লৌরগা অরানবা থৌওং চথুরে হায়বা পাউ ফংবদগী মিনিষ্ট্রিনা হীরম অসিগী মতাংদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ঐচ আর দি মিনিষ্ট্রিনা টেক্নিকেল এদ্যুকেসন ক্বালিটি ইম্প্রুভমেন্ট প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা ষ্টেট অমদি যুনিয়ন টেরিটোরি ১৮গা এম ও যু সাইন তৌনবা লৈখ্রবনি।

# সাইক্লোন ওকখি : প্রাইম মিনিষ্টরনা টামিল নাদুদা অঙম্বা মতেং পাংগনি হায়খ্রে

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ০২ (এজেন্সী):

খা থংবা টামিল নাদুদা সাইক্লোন ওকখিনা অমাঙ-অতা থোকহনখ্রবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চীফ মিনিষ্টর পলানিস্বামিদা টেলিফোন তৌদুনা হৌজিক ওইরিবা ফীভমগী মতাংদা অকুপ্পা পাউ লৌখ্রে। সাইক্লোন্না অমাঙ-অতা থোকহনখ্রবা মফমশিং নৌনা শেমগৎ-শাগৎপদা সেন্টরনা অঙম্বা থাক্তা মতেং পাংগনি হায়নসু প্রাইম মিনিষ্টরনা থাজবা পীখি।

চীফ মিনিষ্টরনা হৌজিক হৌজিক টামিল নাদুগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎতা পায়খৎলিবা মতেং পাংবা অমসুং মী কনবগী থৌরাংশিংগী মতাংদা মপুং ফাবা রিপোর্ট অমা প্রাইম মিনিষ্টরদা পীখি।

ইরাই নুমিত্তা সাইক্লোন ওকখি হায়না খঙনবা অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎনা খ্বাইদগী ফীভম থীনা শোকহনখ্রবা দিষ্ট্রিক্টশিংদি কন্যাকুমারী অমসুং তিরুনেলবেলিনি। বেঙ্গলি লোলদা 'মীৎ' হায়না খঙনবা সাইক্লোন ওকখিনা মফম কয়াদা অমাঙ-অতা থোকহল্লম্লবা মতুংদা অরাবিয়ন সী মায়কৈ পাংখি।

অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎ অদুনা মফম কয়াদা অমাঙ-অতা থোকহনবদগী মীওই ১২০০ রোম হেন্না তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরি হায়না ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি। কন্যাকুমারী খক্তদা মীওই ১,০৪৪ রোম রিলিফ কেম্প ১৬তা চঙজফম লৌদুনা লৈরি। তিরুনেলবেলিদনা মীওই ২০০ হেন্না রিলিফ কেম্প অনীদা চঙজফম লৌরি।



পনবা য়াবদি, টামিল নাদুদা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ সাইক্লোন ওকখিগা লোয়ননা নোং কন্না চুবদগী মীওই ৪ শিখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অদুগী দিষ্ট্রিক্ট তরেৎতা স্কুল কয়া থোঙ লোনহনখি।

বে ওফ বেঙ্গলদা দিপ্রেসন থোকপদগী সাইক্লোন ওকখি হায়না খঙনবা অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎ শীৎপা হৌরকখি। খা থংবা টামিল নাদুগী শরুক্তগী কিলোমিটর ৬০ রোম চৎলগা লৈবা মফমদা সাইক্লোন অদু হৌরকখিবনি।

টুথুকুদি, টিরুনেভেলি, কন্যাকুমারী, বিরুধুনাগরগী স্কুল কয়াসু ছুটি থানখি। টুথুকুদি অমদি কন্যাকুমারীদদি অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎনা উ ফাওবা মরূ ফুক্তৎলগা হুমদোকখি। নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্সকী পার্সনেল ৬০ রোম্না শাবা টিম অনী টামিল নাদুগী কন্যাকুমারীদা থাজিনখি। মীওই ৪ শিবগী থৌদোক থোক্লিবা কন্যাকুমারীগী মফম অদুদা নেসনেল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্সকী টিম অদু চঙশিনখ্রে। মীওই ৪৭ না শাবা অতোপ্পা টিম অমসু কেরলাগী কোচিদা লৈরি। লক্ষাদ্বিপ মায়কৈদা করিগুম্বা খূদোংথীবা ফীভম লাকপদা মতেং পাংনবা থৌরাং লৌখৎলি।

# যু পিদা মায় পাকখ্রবা মতুংদা অদিত্যনাথনা প্রাইম মিনিষ্টর উনখ্রে



ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ০২ (এজেন্সী) : উত্তর প্রদেশকী সিবিক ইলেক্সন্দা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না চাউনা মায় পাকখ্রবা মতুংদা উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা উনখ্রে।

বি জে পিনা ষ্টেট অসিদা লৈঙাক পায়রকখ্রবা মতুং থা ৮ লৈরগা পাঙথোকখিবা মীখল ওইবনা হন্দক্কী সিবিক ইলেক্সন ইলেক্সন অদু পার্টি অসিবু মীয়াম্না কদাই ফাওবা শৌগৎলিবগে হায়বগী চাংয়েং ওইনা লৌনখি। চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা অকনবা থৌরাং লৌখৎপদগী ষ্টেট অসিগী মেয়র ১৬কী মনুংদা ১৪ বি জে পিনা পায়বা ঙমখি।

পুৱারী ওইহৌরগদবা মওংদা মায় পাকখিবগী থৌওং অদু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং পার্টিগী নেসনল প্রসিদেন্ট অমিত শাহগী মপান্দগীনি হায়না অদিত্যনাথনা ফোঙদোকখি।

কোংগ্রেসকী অকনবা মফম ওইরিবা অমেথিদা বি জে পিনা মায় পাকখিবগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, মতম শাংনা কোংগ্রেস ফেমিলিগী কন্সটিট্যুয়েন্সী ওইদুনা লাকখিবা অমেথিদা বি জে পিনা কোংগ্রেসপু অরাইবা মওংদা মায়থিবা পীবা ঙম্লে। কুমজা ২০১৯দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা পার্টি অসিনা যু পিগী সিট পূম্নমক শোয়দনা ফংবা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবা লৈরে।

য়াম্না থাজদবা মওংদা ময়াৱাতিগী বহুজন সমাজ পার্টি (বি এস পি)না নোংচুপ থংবা যু পিগী অলিগর অমদি মিরুট টাউনদা বি জে পি মায়থিবা পীরম্লগা মেয়রগী ফম পায়বা ঙমখি।

চৈরকসিদা, গুজরাট এসেমব্লিগী মীখল মাঙওইননা বি জে পি ষ্টেট যুনিটনা পার্টিগী মায়োক্তা থবক তৌই হায়বগীদমক মেম্বর ২৫ তান্থোকখ্রে।

# য়াইফ-পাউজেল পীখ্রে

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ০২ (এজেন্সী) :

প্রোফেত মহমদকী মপোক নুমিৎ ওইরিবা মিলাদ-উন-নাবি নৎত্রগা মোলিদকা মরী লৈননা প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দ অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক মীয়ামদা য়াইফ-পাউজেল পীখ্রে।

ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা প্রসিদেন্ট কোবিন্দনা হায়খি, প্রোফেত মহমদকী মপোক নুমিৎনা লাকপদা লৈবাক মীয়াম, মরুওইনা মুস্লিম ইচিন-ইনাওশিংগী মফমদা য়াইফ- পাউজেল পীজরি। প্রোফেত মহমদকী পাউতাক ইন্দুনা ঈং-তপ্পা অমসুং মরা চেৎপা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা হোৎনমিন্নরসি।

মিলাদ-উন-নাবিগা মরী লৈননা ভাইস প্রসিদেন্ট এম ভেনকয়া নাইদু অমদি কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীনসু লৈবাক মীয়ামদা য়াইফ-পাউজেল পীখি।

ꯁꯤꯡꯒꯨꯡ ꯍꯥꯏꯔꯤꯕ ꯀ꯭ꯔꯥꯎꯟ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯁꯦꯁ ꯇꯥꯍꯧꯔꯦ

## CROWN অমসুং SASH তাহৌরে

লংথবাল নিঙোম্বমদগীনা বোট, পেলেস কম্পাউন্দ ফাওবগী লন্বী মরক্তা fbb Colors Femina Miss India না পীবীরকপা Crown অমসুং Sash অমা হৌখিবা নবেম্বর ২৯, ২০১৭কী নুংথিল পুং ৪ রোম তাবা অদুৱাইদা তাহৌরে। কনাগুম্বা মীওইনা খুনবীরবদি/থেংনবীরবদি মোবাইল নম্বর 9862852584/8974975205 অসিদা পাউ ফাওবীরকউ। অদোমগী তৌবীমল উৎচগনি।

*খঙহঞ্জরিবী :* Soibam Kanchan Chanu Ningombam

HL-P/167/3

## THE IMPHAL URBAN CO-OPERATIVE BANK LTD.
ADMINISTRATIVE OFFICE, M.G. AVENUE, IMPHAL

## NOTICE

Imphal, the 2nd December, 2017

**No.IUCB/1-A/Vol-X/2017-18 :** It is hereby notified for information of the public/concerned that Bank's Share Certificate/Certificates issued in favour of the following members of the Bank as shown against each is/are reported to have been lost from his/her/their custody. The certificate/s is/are to be invalidated for issue of a duplicate/s.

Hence, unless valid objection from any interested party/s is/are received by the Bank within 15 (fifteen) days, from the date of this Notice, a duplicate/s share certificate/s will be issued invalidating the lost one.

| Sl. No. | Name of Member | M.No. | Certificate No. | Number of share |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Potsangbam Hiroibi Leima | 9195 | 12536 | 4 (Four) |

HL-P/166/3 Sd/- GENERAL MANAGER

# ডোক্টর-মেদিকেল সেন্টরগী অরোনবা মরী থেংনখ্রে

বেঙ্গলুরু, দিসেম্বর ০২ (এজেন্সী) :

বেঙ্গলুরুদা ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা ডোক্টর অমসুং মেদিকেল সেন্টরশিংগী মরক্তা থম্নবা অরোনবা মরী অমা থেংনরকখ্রে।

ইনকম টেক্স (আই টি) দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা ইন-ভিট্রো ফর্টিলাইজেসন (আই ভী এফ) সেন্টর অনী অমসুং দাইগ্নোষ্টিক সেন্টর মঙাদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা অরানবা মওংদা তাল্লম্বা লুপা ক্রোর ১০০ রোম থেংনরকখি।

অনাবা মীওইশিংবু মরম চাদনা তোঙান তোঙানবা মেদিকেল টেষ্ট কয়া তৌনবগীদমক লন্নাইগী মেদিকেল সেন্টরশিংদা রিফর তৌই হায়না ডোক্টরশিংগী মথক্তা মরাল শীখি।

নুমিৎ ৩নি চুপ্না আই ভী এফ সেন্টর অনী অমসুং দাইগ্নোষ্টিক সেন্টর মঙাদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা শেল ওইনা লুপা ক্রোর ১.৪ অমসুং সনা কে জি ৩.৫ ফংবা ঙমখি।

পূম্নমক অসিগী মথক্তা মপান লৈবাক্কী শেনয়েক কয়া লৈরম্বগা লোয়ননা লুপা ক্রোর কয়ামরুম মপান লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা বেঙ্কশিংদা দিপোজিট তৌরম্বগী খুদম থেংনখি।

সিনিয়র ওফিসল অমনা হায়খি, ডোক্টরশিংনা অনাবা মীওই কয়াবু মরম চাদনা লন্নাই মেদিকেল সেন্টরশিংদা তোঙান তোঙানবা মখলগী টেষ্ট তৌনবা রিফর তৌই হায়বা খঙলে। মদুগীদমক মেদিকেল সেন্টরশিংনা ডোক্টরশিংদা য়াম্লবা শেনফম অমা পীবগী খুদমসু ফংলে।

লন্নাই লেবোরেটরিশিংদা কম্মিসন এজেন্ট ওইনা থবক তৌবা মীওইশিংনা এনভেলপতা হানবা শেনফমশিং তোঙান তোঙানবা ডোক্টরশিংগী মনাক্তা চৎলগা য়েন্থোক্লম্বা থেংনরে হায়না আই টি দিপার্টমেন্টকী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

꯱꯵ ꯂꯥꯈ ꯁꯦꯚꯤꯡ ꯃꯔꯨꯞ

## 15 LAKHS SAVING MARUP

Manipur Rural Development Finance (MRDF) না 6th Phase ওইনা শীঞ্জবা থাগী শেনখায়না ₹ 2000/- ওইবা, অপুনবা শেনফম্না ₹ 15,00,000/- (15 Lakhs) তাবা, ফাওখ্রবা মতুংদা অমুক মখা তানা থাগী শেনখায় হুল্লরোয়দবা য়াম্না কান্নরবা, লায়রবা কোকপা য়ারবা মরুপ অমা লাক্লিবা January, 10th 2018 দগী MRDF কী Registered Office তা হৌদোকচরগনি। হায়রিবা মরুপ অসিদা য়াওবা মেম্বরশিংদা ₹ 10,000/- দগী হৌরগা ₹ 1.5 Lakhs ফাওবা অপীকপা শেন্দোয়দা Loan গী খুদোংচাবসু পীজরি। Agent ওইনিংবশিংনা থাগী ₹ 10,000/- ফাওবা Commission pay ফংবা য়াগনি। হৌজিক ফোর্ম থাবা হৌজরে। ফোর্ম ফঙফমশিং

1. MRDF, Takhel Mayai Leikai, ☎ 7005315367
2. MRDF, Khurai Lamlong, Thangjam Leikai ☎ 8787492287
3. MRDF, Naoremthong Bazar ☎ 8837002201

HL-P/158/1-7Dec. Sd/- MANAGER, MRDF

## ꯃꯥꯡꯈꯤ/ SMART CARD LOST

I have lost my Smart Card for Maruti- 800 vide Registration No. MN-05A-9851, on the way from Hiyangthang to Imphal Airport on 20/11/2017. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Nasir Ahmed
Hiyangthang Tarahei
☎ 9615938773

HL-P/163/3

## ꯌꯣꯟꯖꯔꯤ/ ইখ্খোল অমা য়োঞ্জরি

Keishamthong Hodam Leirak তা লৈবা পাকপা শাংবনা 44 ft x 22 ft ওইবা (Point 2 চাউবা), সোরোক্কী মতাইদা লৈবা ইখ্খোল অমা অথুবগী ওইনা য়োঞ্জরি। কনাগুম্বা পাম্বীবা মীওইশিংনা মখাগী কন্টেক নম্বর অসিদা পাউ ফাওবিরকপা য়াগনি।

Contact: ☎ 9582860803 / 7085232769 / 8258971817

HL-P/4774/3

## ꯌꯣꯟꯖꯔꯤ/ ইখ্খোল অমা য়োঞ্জরি

Thangmeiband Khomdram Selungba Leikai দা লৈবা ফিট ১৫ পাকপা, ফিট ৪১ শাংবা (15' x41') ইখ্খোল অমা অথুবগী ওইনা য়োঞ্জরি। কনাগুম্বা পাম্বীবা মীওইশিংনা মখাগী কন্টেক নম্বর অসিদা পাউ ফাওবিরকপা য়াগনি।

Contact: ☎ 8974576394 9402270186

HL-P/3059/2&3

## ꯃꯥꯡꯈꯤ/ ADMIT CARD LOST

I have lost my Original Admit Card of Class-XI (Science) Examination, bearing Roll No. 23640 of 2017 issued by COHSEM, on the way from Thoubal Kshetri Leikai to Wabagai Lamkhai Bazar on 01/12/2017. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Thounaojam Premchan Singh
Wabagai Lamkhai Bazar
☎ 8575711406

HL-P/164/3

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## SECRETARIAT: RURAL DEVELOPMENT AND PANCHAYATI RAJ DEPARTMENT
(STATE LEVEL MONITORING CELL)

## NOTIFICATION

Imphal, the 1st December, 2017

**No. 3/64/2016-17-RD (MGNREGA) :** In supersession of all the previous notification of even no. dated 25th May, 2017, applications in the prescribed formate are invited from intending candidates for appointment of Ombudsman in respect of 3 (three) districts of Manipur viz. Imphal West, Ukhrul and Bishnupur districts for redressal of grievances and disposal of complaints relating to implementation of NREG Act 2005 and Schemes under the Act made by the State. The eligibility criteria viz. essential qualification, experience, sitting allowances etc. are given against the post.

| Sl. No. | Name of the post | No. of Post | Essential Qualification |
|---|---|---|---|
| 1 | 2 | 3 | 4 |
| 1. | Ombudsman | 3 (Three) (one each for Imphal West, Ukhrul, Bishnupur) | 1. Eminent standing and impeccable integrity with at least 10 (ten) years of experience in public administration, law, academics, social work or management. Experience in working with people or community organization is a mandatory qualification. 2. Should not be a member of a political party. 3. Applicants are required to file a declaration to this effect along with the application. 4. Must be physically active and capable of conducting field tours, inspections and visits to remote rural locations in the districts. 5. Remuneration will be calculated at the rate of Rs. 1000/- per sitting with maximum upper limit of Rs. 20,000/- (Twenty thousand) per month. |

2. The tenure of the engagement will be 2 (two) years extendable not more than twice by 1 (one) year each based on performance appraisal or till the incumbent attains the age of 68 (sixty eight) years whichever is earlier. There shall be no re-appointment.

3. No written test or examination will be conducted but an interview will be conducted by the Selection Committee to rank persons in order of preference.

4. Preference will be given to persons residing in the same district or neighboring district so as to take advantage of his/her first hand knowledge about the district.

5. The application format may be obtained from the office of the State MGNREGA Cell, Secretariat Rural Development Department, Room No. 125/04, New Secretariat Complex during office hours and the duly filled in application along with two passport size photographs and relevant documents may be submitted on or before 10th December, 2017.

Sd/- Bidyarani Ayekpam
Under Secretary (RD & PR)
Government of Manipur

HL-B/4255/2,3&4Dec

## ꯊꯥꯒꯠꯄ/থাগৎপা ফোঙদোকচবা

মখাদা সহি তৌজরিবা ঐহাক্না AR Finance Uripok তা লৈবা অসিবু হন্না হন্না থাগৎপা ফোঙদোকচরি। থাগী শেনখায় হুনখিবদুনা লোট্টরি ওইনা ওৎলক্তুনা ফাওরকপদা হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি। মতুং তারকপদসু AR Finance কী মায় পাকপা ওইবীয়ু হায়না হায়জরি।

*থাগৎপা ফোঙদোকচরিবীঃ* Oinam Memchoubi Leima
Singjamei Oinam Thingel
Imphal - 795008

HL-P/4774/3

## IN THE FAMILY COURT, MANIPUR AT LAMPHELPAT, IMPHAL

**Mat. (Declaratory) Suit No. 60 of 2017**

Km. Takhellambam Reshmi Devi, aged about 25 years, D/o (Late) Takhellambam Rajen Singh and (Late) Takhellambam Ongbi Kshetrimayum Kamalini Devi of Keishampat Mutum Leirak, P.O. & P.S. Imphal, District - Imphal West, Manipur.

... Plaintiff

–Versus–

1. Shri Takhellambam Roshan Singh, aged about 30 years, S/o (Late) Takhellambam Rajen Singh.

2. Shri Takhellambam Rashikanta Singh, aged about 27 years, S/o (Late) Takhellambam Rajen Singh.

- Both are resident of Keishampat Mutum Leirak, P.O. & P.S. Imphal, District - Imphal West, Manipur.

... Defendants

**SUMMONS**

TO

**ALL THE INTERESTED PERSONS.**

Whereas, the above named plaintiff has instituted a suit in this court for declaration that the plaintiff is the unmarried daughter of (Late) Takhellambam Rajen Singh and (Late) Takhellambam Ongbi Kshetrimayum Kamalini Devi, all the interested persons are hereby summoned to appear before this Court on 21-12-2017 at 10.30 a.m. in the fore-noon either in person or by a pleader duly instructed able to answer all the materials question relating to the suit and file written statement if any in your defence.

Take notice that in default of your appearance on the aforesaid day and date, the suit will be heard and determined in your absence.

Sealed and signed by the order of the Court, on this 1st December, day of December, 2017.

SEAL : Sd/- R.K. Dhanisana Devi, Sr. Sheristadar,
By:- Family Court, Manipur,
Advocate at Lamphelpat, Imphal

HL-P/165/3&4

OFFICE OF THE
## ELECTION MANAGEMENT COMMITTEE SHARE HOLDERS IUCB LTD.
URIPOK PANCHAI MANING, IMPHAL -795 001 (MANIPUR)

## ꯅꯤꯡꯁꯤꯡꯖꯕ/নীংশিংজবা

ইম্ফাল অর্বান কো-ওপরেটিব বেঙ্ককী ইং শোক ২০১৭-২০১৮ দগী ২০২১-২০২২ ফাওবগী বোর্ড ওফ ডাইরেক্টরগী থৌপুনবগী পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলদা ডেলিগেটকী মীহুৎ ওইবীনিংবশিংনা ইশা-ইশাগী শেয়ার হোল্ডরগী মেম্বরশিপ কার্ড লোয়নবিরক্তুনা নোমিনেসন ফাইল তৌনবগী শেম-শাবগী মতেংগীদমক মখাগী ঠিকানা অসিদা লাক্লিবা তাং ০৬/১২/২০১৭ ইং, য়ুমশকৈশা নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ ফাওবগী মনুংদা লেঙবিরক্কবা নোল্লুক্না নীংশিংজরি।

Sd/- রাজকুমার মোম্বিসনা সিংহ
*General Secretary*
Election Management Committee Share Holders IUCB Ltd.
উরিপোক পঞ্চায় মনিং
মোবাইল নং ঃ ৮৭৩০০৯৫৫৯১ / ৯৮৬২৯২১৯৩৭

HL-P/4772/3

# EDUCITY TUTORIALS
SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIRAK MACHIN, IMPHAL - 795004

# ADMISSION OPEN

REVISION 2 MONTHS
CLASS X (MANIPUR BOARD)

CLASS STARTING :
10TH DECEMBER, 2017

LIMITED SEATS

VAN FACILITY

HOSTEL FEE : @RS. 3500/- PER MONTH BOYS & GIRLS

FOUNDATION COURSE
CLASS I TO X

CLASS STARTING ON
4TH JANUARY, 2018

SPECIAL FEATURES :-
- Q & A ANALYSIS
- Possible Suggestion
- Free & printed study materials to each students

10% DISCOUNT for the student who secure 1st to 5th Position in their school

HL-P/3052/26/11-26/12